# জুভেনাইলশিংনি হায়না লাউথোকখ্রবা কনভিক্ট ১৩ এস সীনা ইন্টরিম বেল পীখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):
জুভেনাইল জষ্টিস বোর্দ (জে জে বি)না জুভেনাইলশিংনি হায়না লাউথোকখ্রবা অগ্রাগী কনভিক্ট ১৩ সুপ্রিম কোর্টনা শগোলশেন নুমিত্তা বেল পীখ্রে।

অগ্রা জেলদা হার্দকোর ক্রিমিনেল-শিংগা লোয়ননা থম্লিবা কনভিক্ট ১৩গী বেল পিটিসনদা প্রিজনরশিং অদু মখোয়গী ওফেন্সকী মতমদা জুভেনাইলশিং ওইখি হায়না লেপ্পা লৈখ্রবসু মখোয়বু মখা তানা জেলদা থম্লীরি হায়না পনখি।

জষ্টিস ইন্দিরা বেনর্জি অমসুং জষ্টিস ভি রামাসুব্রামনিয়নগী বেঞ্চ অমনা একুযুজশিং অদুবু পর্সনল বোন্দ ফর্নিস তৌহল্লগা ইন্টরিম বেল পীখি। তোপ কোর্ট অসিনা হায়, পিটিস্নর ১৩ জুভেনাইল জষ্টিস বোর্দনা জুভেনাইলশিংনি হায়না লাউথোকখ্রে হায়বসি য়েৎননিংঙাই ওইদ্রে। পর্সনল বোন্দ পীবগী ফিভমদা মখোয়দা ইন্টরিম পীবা কোর্টনা য়ারে।

কনভিক্টশিং অদুবু রিপ্রজেন্ট তৌরিবা এদভোকেট রিশি মাল-হোত্রানা হায়খি, মদু ইল্লিগেল দিটেন্সনগী কেস অমনি। হীরম অসিগী মতাংদা টোপ কোর্ট অসিনা নোটিস ইস্যু তৌবা লৈখ্রে। উত্তর প্রদেশ গর্ভর্ণমেন্ট রিপ্রজেন্ট তৌরিবা সিনিয়র এদভোকেট গরিমা প্রসাদনা হায়খি, বেল পীবদা ঐখোয়না ওবজেক্সন তৌবা লৈতে, তৌইগুম্বসুং ভেরি-ফিকেসন কন্দক্ট তৌবা মথৌ তাই।

ওফেন্স পাঙথোকখিবা মতমদা জুভেনাইল ওইখি হায়না লাউথোকখিবা লৈনা লৈনা কনভিক্ট ১৩ অগ্রা জেলদা ক্রিমিনেলশিংগী মরক্তা ৱানা লৈহনবগী মতাংদা থাখিবা প্লীগা মরী লৈননা জুলাই ১দা সুপ্রিম কোর্টনা উত্তর প্রদেশ গর্ভর্ণমেন্টতা পাউখুম পীরক্নবা খঙহনখি।

কনভিক্টশিং রিপ্রজেন্ট তৌরিবা মালহোত্রানা মহাক্কী সবমিসন্দা হায়খি, কনভিক্টশিং চহী ১৮গী মখাশিংনি হায়না লাউথোকখ্রবা জুভেনাইল জষ্টিস বোর্দ (জে জে বি) গী রুলিংশিং চেলেঞ্জ তৌবা লৈত্রবসু মখোয়বু খূদক্তা থাদোক্নবা হৌজিক ফাওবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎপা লৈত্রি।

চহী ১৪দগী ২২ ফাওবা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রবা কনভিক্টশিং অদুবু খূদক্তা থাদোক্নবা প্লী অদুনা তকশিনখি। কেস অয়াম্বদা মখোয়গী কনভিক্সনগী মায়োক্তা থাবা ষ্টেচুরি ক্রিমিনেল আপীল হৌজিক হায় কোর্টতা পন্দুনা লৈরিবনি।

পিটিস্নরশিং অসি থৌদোক থোকখিবা মতমদা চহী ১৮ য়ৌদ্রিবা ঙাক্তনি হায়বসি জে জে বিনা ফেব্রুৱারি ২০১৭ অমসুং মার্চ ২০২১ দা থোকখিবা ওর্দরশিংদা পনখ্রে হায়না প্লী অদুনা ফোঙদোকখি।

জুভেনাইল জষ্টিস (ক্যের এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন) (এমেন্দমেন্ট) এক্ট, ২০০৬কী মতুং ইন্না, ৱায়েলগী তাঙ্কক অমদা হেক্তা জুভেনিলিটিগী প্লী থাবা য়াই হায়না প্লী অদুনা মখা তাখি।

# চয়োল ৪গী মনুংদা গ্রিভান্স ওফিসর হাপ্লগনি

## আই টি রুলশিং চেলেঞ্জ তৌবগী রাইট লৈ:ত্বিটর




ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী অনৌবা আই টি রুলশিংগী মতুং ইন্না, রেসিদেন্ট গ্রিভান্স ওফিসর (আর জি ও) অমা হাপ্পদা চয়োল নিপাল চঙগনি হায়না ত্বিটরনা দেল্লী হায় কোর্টতা ইনফোর্ম তৌখ্রে।

পর্মনেন্ট ফিজিকেল কন্টেক্ট এদ্রেস ওইগদবা লিএজন ওফিস অমা ইন্দিয়াদা লিংবগী প্রোসেস চথুরি হায়না পনবগা লোয়ননা অনৌবা আই টি রুলশিং চেলেঞ্জ তৌবগী রাইট লৈ হায়নসু ত্বিটরনা ফোঙদোকখ্রে।

রেসিদেন্ট গ্রিভান্স ওফিসর (আর জি ও) অমা হাপ্তবগীদমক্তা ত্বিটরবু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা দেল্লী হায় কোর্টনা চৈখ্রবা মতুংদা ত্বিটরনা পাউখুম পীরকখিবনি। কোর্টনা মাইক্রো-ব্লোগিং সাইট অসিদা আর জি ও হাপ্পদা মতম কয়াম লৌগদৌরিবনো হায়না হংখি অমসুং সোসল মিদিয়া ফার্ম অসিগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবগী অয়াবা সেন্ট্রেল গর্ভর্ণমেন্টতা পীখি।

জষ্টিস রেখা পাল্লিগী বেঞ্চ অমনা ত্বিটরগী কাওন্সেলদা রেস্পোন্স অমা ময়েক শেংনা পীদ্রবদি নুংঙাইতবা ফিভম কয়া মায়োক্নরক্লগনি হায়খি। লোয়ননা ত্বিটরনা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (ইন্টরিমিদ্যরি গাইদলাইন্স এন্দ দিজিটেল মিদিয়া ইথিক্স কোদ) রুলস, ২০২১ (আই টি রুলস, ২০২১)গী অতৈ প্রোভিজনশিং কমপ্লাই তৌবগী ইনফোর্মেসন মথংগী হীয়ারিং মতম ফাওবগী মনুংদা পীরক্নবা খঙহনখি। বেঞ্চ অসিনা জুলাই ৮দা মখা তাবা হীয়ারিং চখনবা লেপখি।

অনৌবা আই টি রুলশিংগী মতুং ইন্না আর জি ও হাপ্পগী মতাংদা ত্বিটরনা হায়, ইন্টরিম আর জি ও ওইনবা ইন্দিয়াগী মীওই অমদা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর তৌবগী প্রোসেস চথুরি। মদু জুলাই ১১, ২০২১দা নৎত্রগা মমাঙদা লোইশিনগনি হায়না পারি।

ত্বিটরনা ফাইল তৌবা দোক্যুমেন্ট অমনা হায়, আর জি ও অমা দাইরেক্ট ইমপ্লোয়ী ওইনা হাপ্লবা জেব নোটিফিকেসন থোক্লে। চয়োল নিপালগী মনুংদা ত্বিটরনা ক্বালিফাইদ ওইবা মীওই অমদা ফম অসি ওর্দর তৌরগনি।

মাইক্রো-ব্লোগিং সাইট অসিনা হায়, আই টি রুলশিংগা চাননা থেংলবদা জুলাই ১১ ফাওবগী মনুংদা মে ২৬তগী জুন ২৬ ফাওবগী অহানবা কমপ্লাইএন্স রিপোর্ট ফাইল তৌরগনি। ত্বিটরনা ২০২১গী রুলশিং কমপ্লাই তৌনবা কন্না হোৎনরিবা ওইরবসু রুলশিং অদুগী পৱার ভেলিদিটি অমসুং লিগেলিটি চেলেঞ্জ তৌবগী রাইটসু লৈ হায়না সবমিসন অদুদা পনখি।

# কাশ্মিরদা খূৎ থোক্নবদা লাস্কর ৩, জাইশ ১ হাৎখ্রে

শ্রীনগর, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):
সাওথ কাশ্মিরগী পুলৱামা অমসুং কুলগাম দিষ্ট্রিক্টশিংদা হৌখিবা অহিংদা চথখিবা তোঙান তোঙানবা ওপরেসন অনীদা লাস্কর ঈ-টাইবা অমসুং জাইশ ঈ-মোহম্মদকী অনৌবা রিক্রুট অনী য়াওনা মিলিটেন্ট মরি হাৎখ্রে হায়না শগোলশেন নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

আর্মিনা ফোঙদোরকপদা টেররিষ্টশিং চখোক-চৎশিন তৌরে হায়বা থাজবা য়াবা অরোনবা পাউ ফংবদগী অনন্টনাগতা বেজ ওইবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলস, জে কে পি অমসুং সী আর পি এফকী অপূনবা টিম অমনা জুলাই ৭ অমসুং ৮গী লোন্নবা অহিংদা কুলগামায়ী জোদারদা মফম কয়াদা গাড়ীশিং চেক তৌখি।

অঙৌবা মচুগী মারুটি কার অমা খাম্নবা খঙহনখি। তৌইগুম্বসুং গাড়ীদুদা তোংলিবা টেররিষ্টশিংনা ক্রুপশিং উবদা নোংমৈ কাপ্পা হৌখি অমসুং মখোয়গা নক্না লৈরিবা ফোরেষ্ট এরিয়াদা চঙশিনখি। খূদক্তা এরিয়া অদু কোর্দন তৌখি অমসুং মতুং তাবদা নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নখি।

জোইন্ট ওপরেসন অদুদা টেররিষ্ট অনী- জুলাই ১১, ২০২০দগী এক্টিভ ওইরকখিবা জে ঈ এমগী শাহবাক অহম্মদ শাহ অমসুং জুন ৫, ২০২১দগী এক্টিভ ওইরকখিবা এল ঈ টিগী নাসির অয়ুব পন্দিত শিখি। এ কে-৪৭ রাইফল অমা, পিষ্টোল অমা অমসুং য়াল্লবা নোংমৈ মরূশিং মফমদুদগী রিকোভর তৌখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসকী অকক্নবা ইন্টলিজেন্স পাউদা য়ূম্ফম ওইরগা চথখিবা তোঙানবা ওপরেসন অমদা পাঞ্জগোমদা লৈবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলস, জে কে পি অমসুং সী আর পি এফকী ক্রুপশিংনা পুলৱামাগী মফম অমা কোর্দন তৌখি। নোংয়াই মতুং পুংখায়মুক্কী মতমদা টেররিষ্টশিংনা কোর্দন পার্টি অদুদা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা চেন্নবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মীৎকূপ নাহুম শিংনা লৈরিবা ক্রুপশিংনা খূদক্তা খূৎ হনখি অমসুং মখোয়গী থৌওং অদু অরেম্বা তাহনখি।

সরেন্দর তৌনবা খঙহল্লবসু টেররিষ্টশিংদুনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি অমসুং গ্রেনেদ লংশিল্লকখি। মমৈথংদা নাকল অনীগী মরক্তা কাপ্নবদা এল ঈ টিগী টেররিষ্ট অনী শিখি।

কাপ্নবদা হাৎখিবা টেররিষ্টশিং অদু কিফায়ত সোফি অমসুং ইনায়র অহমদ দার কৌই, পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতগী ঙাক্তনি। মফম অদুদগী খূৎলায় কয়া রিকোভর তৌখি। পুলিসকী মতুং ইন্না টেররিষ্টশিংদু মীচমশিংদা কিহনবা অমসুং নমদুনা শেল খায়বদা চৈন্নে।

## নুমিৎ হুম্নি অৱাবা ফোঙদোক্লগনি

শিমলা, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):
কোংগ্রেস ভেটরন অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ভিরভদ্র সিংহনা লৈখিদবদা নুমিৎ হুম্নি অৱাবা ফোঙদোক্লগনি হায়না হিমাচল প্রদেশ গর্ভর্ণমেন্টনা শগোলশেন নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

ভিরভদ্র সিংহ টর্ম তরুক্লক ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইখি। গর্ভর্ণমেন্টনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা ষ্টেটকী থাক্তা অৱাবা ফোঙদোক্লগনি হায়না গর্ভর্ণমেন্ট স্পোক্সমেন অমনা মিদিয়াদা লাউথোকখি। শিমলাদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল (আই জি এম সী ঐচ)তা থা অহুম চুপ্না পোষ্ট কোভিদ কমপ্লিকেসনশিংগা লান্থেংনরক্লবা মতুং জুলাই ৮দা লৈখিদবনি। মহাক চহী ৮৭ শুখ্রে।

অৱাবা ফোঙদোক্লিঙৈ মনুংদা ওফিসল ইন্টরটেনমেন্ট থৌরম অমত্তা পাঙথোক্লোই। ইসেন্সিএল সর্ভিসশিং দীল তৌরিবা ওফিসশিং নত্তনা বোর্দশিং, কোর্পোরেসনশিং অমসুং ওটোনোমস ইন্সটিট্যুসনশিং য়াওনা ষ্টেট গর্ভর্ণমেন্টকী ওফিস খূদিংমক শগোলশেন নুমিত্তা থোঙ লোনখি।

# পি এম মোদিনা লুপা ক্রোর ৪০০ হেনবগী প্রোজেক্টশিং খূদোল তৌরগনি



ভারানসি, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি ওইরিবা ভারানসিগী মীয়ামদা লুপা ক্রোর ৪২০.৫৪ চঙনা পায়খৎকদবা অনৌবা প্রোজেক্ট ৬৫ খূদোল তৌরগনি।

প্রোজেক্টশিং অদু হোলি সিটি অদুদা চৎপা মহাক্কী মথংগী খোঙচৎতা মীয়ামদা খূদোল তৌগদৌরিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী অনৌবা খূদোলশিংদুগী মনুংদা সেন্ট্রেল ইন্সটিট্যুট ফোর পেট্রোকেমিকেলস ইঞ্জিনীয়ারিং এন্দ টেক্নোলোজি (সী আই পি ঈ টি) অমা য়াওরি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুগী নুমিৎ চপ চানা লেপত্রিবা ওইরবসু মহাক থা অসিগী অথেংবা শরুক্তা মহাক্কী কন্সটিট্যুএন্সিদা চৎলবা য়াই হায়না ওফিসল ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি। ভারানসিদা পূন্না লুপা ক্রোর ৭৩৬ হেনবগী প্রোজেক্ট ৭৫ হৌদোক্লবা মতম ঙাইদুনা লৈরবনি।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা মহাক্না ভারানসিদা চৎখিবদা চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যানাথনা মপুং ফানা লোইশিল্লবা অমসুং হৌজিক হৌজিক থবক কন্না পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট পূম্নমক্কী অকূপ্পশিং ওফিসলশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা রিভিয়ু তৌখি।

ইন্দিয়া-জপান ফ্রেন্দশিপকী সিম্বোল অমা ওইরিবা লুপা ক্রোর ১৮৬কী বজেটতা শাখিবা ইন্টরনেসনল কনভেন্সন সেন্টর রুদ্রাক্ষ মহাক্না ইন্সপেক্সন তৌখি। মথংগী খোঙচৎ অদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা রুদ্রক্স আই সী সী দেদিকেট তৌবগা লোয়ননা শাবা লোইরবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গানি অমসুং অনৌবা প্রোজেক্টশিং উরেপ-উয়ুং তমগনি।

চৈরকসিদা, অনৌবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা দিভিজনল কম্মিস্নর দীপক অগরৱালনা পাউমীশিংদা হায়খি, লুপা ক্রোর ৪০.১গী বজেটকা লোয়ননা সিপেটকী বিল্ডিং কন্সট্রক্সনগী থবক অসি প্রোজেক্টশিংগী লিষ্টতা মকোক্তা য়াওরি। মসি প্রাইম মিনিষ্টরনা উরেপ উয়ুং তমগনি। অতৈ উরেপ উয়ুং তমগদবশিংদি পুলিস লাইন্সতা পায়খৎকদবা ফ্লোর ১২গী ট্রান্সিট হোষ্টেল (লুপা ক্রোর ২৪.৯৬) লৌউ-শিংউগী পোথোকশিংগী এক্সপোর্টকা মরী লৈননা কারখিয়াও ইন্দষ্ট্রিএল এরিয়াদা পায়খৎকদবা মেঙ্গো এন্দ ভেজিটেবল ইন্টিগ্রেটেদ পেকহাউস (লুপা ক্রোর ১৫.৭৮), মহাগাওনদা আই টি আই অমা (লুপা ক্রোর ১৪.১৬), সুটিং রেঞ্জ (লুপা ক্রোর ৫.০৪), স্পোর্টস ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট (লুপা ক্রোর ৩.৮৬) অমসুং মনিকার্নিকা ঘাটতা অশ্রম অমা ফজথোকহনবা (লুপা ক্রোর ১৫.৮১) য়াওরি)

# ব্লোক মীখলগী নোমিনেসন ফাইলিংদা পাক-শন্না ঈরাং থোকখ্রে



লক্ষ্ণৌ, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী ব্লোক প্রমুখ মীখলগী নোমিনেসন ফাইলিং তৌরিবা শগোলশেন নুমিত্তা সিদার্থনগর, সিতাপুর, গোরাখপুর, সমভল য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা পাক-শন্না ঈরাং থোকখ্রে।

ভাইওলেন্স অয়াম্বা ওপোজিসন কেন্দিদেটশিংবু মখোয়গী নোমিনেসন পেপরশিং ফাইল তৌবা থিংলুবদগী থোকখিবনি।

সিদার্থনগরদা উত্তর প্রদেশ এসেমব্লিগী হান্নগী স্পিকর মাতা প্রসাদ পান্দেবু এটেক তৌখি। সিতাপুরদা ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেট মুন্নি দেবীনা নোমিনেসন ফাইল তৌনবা কমলাপুরদা থুংলবা মতমদা মীওই অহুম নোংমৈনা পান্দুনা শোকখি। মহাক চঙলকপদা অথিংবা পীখি অমসুং মশক খঙদবা মীওইশিংনা পুলিস লৈনা লৈনা নোংমৈ কাপখি। থৌওং অদুগী মায়োক্তা মহাক্কী সপোর্টরশিংনা ঈরাং হৌখি অমসুং মীওই খরনা ক্রুদ বোম ফাওবা লংখি। সুন্নিগী সপোর্টরশিংনা য়ানীংদবা উৎতুনা হায়রে থিংখি।

অম্বেদকর নগরদা লমহেন-তুহেনবা মীওই খরনা বি এস পিগী হান্নগী মিনিষ্টর লালজি ভর্মাগী মখূৎতগী নোমিনেসন পেপরশিং লাকপদগী শাথিবা মওংদা খূৎ থোক্নরকখি। বি জে পি লীদর তেজস্বী জাইশৱালনা পেপর লাকপদগী ঈরাং অদু থোক্লকপনি হায়না ভর্মানা ফোঙদোকখি।

কন্নৌজদা এস পি অমসুং বি এস পি শৌগৎপা মশেলগী মরক্তা খূৎ থোক্লখি। নোমিনেসন পেপরশিং ফাইলিং তৌবদা অথিংবা পীরে হায়না এস পিগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখি।

ন্যুজ চেন্নেল অমগী জর্নেলিষ্ট অমা থৌদোক অদুগী ভিদিও লৌরিঙৈদা ফূখি। ফাতেহপুরদসু মান্নবা থৌদোকশিং থোকখি অমসুং মীওই খরনা পুলিস লৈনা লৈনা নোংমৈ উৎখি অমসুং কেন্দিদেট খরগী নোমিনেসন পেপরশিং শেগায়খি।

উন্নাওদা এস পি এম এল সী সুনিল কুমার সাজননা পুলিসনা বি জে পিগী নত্তবা কেন্দিদেটশিংনা নোমিনেসন ফাইল তৌবদা কন্না অথিংবা পী হায়না পুলিসপু মরাল শীখি। অসিগুম্বা ষ্টেট স্পোন্সর টেররিজমগী থৌওং অসি দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা উফম থোক্তে হায়না কুমারনা ফোঙদোকখি।

## স্পেসল এস আই হাৎপগী ট্রাইএল হৌরগনি

চেন্নাই, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):
স্পেসল সব-ইন্সপেক্টর ওফ পুলিস এস ৱিলসন হাৎখিবগী ট্রাইএল চেন্নাইদা লৈবা স্পেসল এন আই এ কোর্টতা য়াম্না থুনা হৌরগনি।

স্পেসল এস আই অসি কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ৮দা অব্দুল শমীন অমসুং থোফীক কৌবা নহা অনীনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

ট্রাইএল থুনা হৌরগনি হায়বা ৱাফম অসি ৱিলসন মীহাৎকী কেসকা মরী লৈনবা স্পেসল পব্লিক পোপ্যুজিক্যুটর সী এস এস পিল্লাইনা শগোলশেন নুমিত্তা মিদিয়াগী মীওইশিংদা ফোঙদোরকখিবনি।

কেস অদুদা মরু ওইবা লৌতুনবা মীশক ওইরিবা রেদিকেল ইস্লামিষ্ট খাজা মোইদীন লৈবাকপোকপগী অহিংদা দেল্লীগী তিহার জেলদগী চেন্নাইদা পুরকখ্রবা মতুংদা ট্রাইএল অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি। রেদিকেল ইস্লামিষ্ট অসি মীহাৎপা থৌদোক কয়া অমসুং নহারোলশিংবু হকচিনবা ৱাখল চেহনবদা চৈন্নে।

স্পেসল এস আই ৱিলসন হৌখিবা জন্যুৱারী ৮দা কেরলা অমসুং টামিল নাদুগী বোর্দরগা নক্নবা কালিয়াকাভিলাই মার্কেট রোদকী চেক পোষ্টতা দ্যুটি তৌরিঙৈদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

ফারবা সস্পেক্টশিং অব্দুল শমীম অমসুং থোফীকনা কেস অসিবু ইনভেষ্টিগেসন তৌরিবা এন আই এদা পীখিবা ষ্টেটমেন্টতা মখোয়না মহাকপু হাৎলিবদু মখোয়না চঙশিল্লিবা জিহাদকী মনুং চল্লি হায়খি। শমীম অমসুং থোফীক মীহাৎ অদুদা হকথেংননা চেন্নরবসু কেস অসিদা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিনা পূন্না মীওই তরুক চার্জ সিট তৌখি।

# নুপী অমা মচানুপী ২ হাৎলবা মতুংদা থৌরী য়াল্লগা শিজখ্রে

হায়দরবাদ, জুলাই ০৮ (এজেন্সী):
থম্মোয় শোক্নিংঙাই ওইরবা থৌদোক অমদা টেলঙ্গনাগী য়াদাদ্রি ভোঙ্গির দিষ্ট্রিক্টতা নুপী অমনা মচানুপী অনী হাৎলবা মতুংদা মশাসু থৌরী য়াল্লগা শিজখ্রে হায়না শগোলশেন নুমিৎতা পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ৩২ শুরবী টুরপুনুরি উমারানিনা রামনগরদা লৈবা মহাক্কী য়ূমদা মচানুপী অহুম্মক- হর্শিনি (১৩), লক্সি (১১) অমসুং শাইনি (৮) থৌরী য়ানশিল্লবা মতুং মহাকসু থৌরী য়াল্লগা শিজখি। অদুম ওইনমক, মহাক্কী মচানুপী অতোনবী শাইনিদি থৌরী য়ানবদুদা শিখিদে। য়ূমদুগী মপান্দা তূম্লিবা উমারানিগী মপুরোইবা ভেনকাতেশ শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্তা মখোয়গী খ্বাইদগী ইতোন তোনবী মচানুপীনা কপ্পগী মখোল তাবদা মীকপ থোক্তুনা হৌগৎখি।

য়ূমগী থোঙদু মনুংদগী লোনবনা মহাক্না মদু ফক্কায়খি অমসুং মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচানুপী অনী আইরন বিম অমদগী থৌরী য়াল্লগা শিরম্বা উখি। ইতোন তোনবী সাইনিনা হিংহৌরিবদু মহাক্কী মঙক্তা কিরিবা ফি অদু তৎলকপদগীনি। শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্তা নুপী অদুনা মচানুপী অনী হাৎলবা মতুংদা মশামকসু থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না পুলিসনা চিংনরি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস কে নরায়ানা রেদ্দিগী মতুং ইন্না, সুইসাইদ নোট ফংখিদে। শেলগী ৱাবনা মরম ওইদুনা নুপী অদুনা শাথিরবা খোঙথাং অদু লৌখৎখিবা ওইরমগনি হায়না থাজনরি। অদুম ওইনমক মতৈ-মনাওগী মরক্তা করি প্রোব্লেম লৈবগে হায়বদসু পুলিসনা থীজিল্লগনি। মখোয়নি য়ূম পাল্লকপা চহী ১৪ শুরে।

## য়ু পিদসু কেবিনেট রিসফল তৌরবা য়াবগী ইঙ্গিৎ লৈরে

লক্ষ্ণৌ জুলাই ০৮ (এজেন্সী):
সেন্টরদা মরু ওইবা কেবিনেট রিসফল পাঙথোকখ্রবা মতুংদা উত্তর প্রদেশকীসু মতম শাংনা ঙাইনরক্লবা কেবিনেট রিসফল থুনা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না অমুক হন্না ঙাঙনবা হৌরক্লে।

থাজবা য়াবা অৱাংবা থাক্কী ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, নন-পার্ফোমেন্সনা মরম ওইদুনা সেন্টরদা সিনিয়র মিনিষ্টর কয়া লৌথোকখিবসিনা চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যানাথতসু মহাক্কী ষ্টেটতা মান্নবা এক্সন লাইনা লৌখৎপা ঙমহল্লগনি। থা কয়াগী মমাঙদগী চীফ মিনিষ্টরনা সিনিয়র মিনিষ্টর খরদগী পোর্টফোলিওশিং লৌথোকপা পামদুনা লাকখি। অদুম ওইনমক, পার্টি হাই কমান্দনা প্রেসর পীরকপদগী মহাক খোঙথাং অদু লৌখৎতনা লৈরকখি।

বি জে পিগী ফঙ্কসনরি অমনা হায়, লীদর অমা মিনিষ্ট্রিদা য়াওহনবা হায়বসিদা খন্নদবা য়াদবা য়াম্না লৈ। কাষ্ট অমসুং রিজনেল ফেক্টরগী ৱাফম অসিসু খন্নবদা য়াওই।

ꯄꯥꯏꯂꯁ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি


Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/6972/16/6-14/7

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR**
**Ref: Mutation Case No. 129/AS&SO III Date 7/7/2021**
Oinam Ningol Pukhrambam Ongbi Sanahanbi Devi W/o Pukhrambam Nando Singh of Langthabal Lep Mayai Leikai. -Petitioner
-Vs-
Pukhrambam Nando Singh S/o (L) Tolchou Singh of Langthabal Lep Mayai Leikai. -O.P.

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**
Imphal, 8/7/2021

Under Section-46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 95-Moreh পাট্টা নং ... অরিবা 553 অনৌবা, দাগ নং 372, 391 এরিয়া .0693 hectare চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Pukhrambam Nando Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৬/৭/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চখরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer, III, Manipur**
HL-P/6866/9

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING**
**Ref: Mutation Case No. 348/AS&SO-VIII/K 28-4-21**
Mutum Bobel Singh S/o Mutum Rajen Singh of Laimanai Awang Leikai.
-Vs-
Shagolshem Ningol Nupimacha Devi D/o Late Amu Singh of Laimanai.

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**
07-07-2021

Under Section-46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা তহশিল খুল নং ৭০ নুংঙুসনামহি পাট্টা নং ২৪০ (অরিবা) ৩২৫ (অনৌবা) দাগ নং ১৬৯৫ এরিয়া .২৩ (একর) ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার শাগোলশেম নিংঙোল নুপীমচা দেবী পী: মৃ: অমু সিংহ সাং লাইমনাই অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কক্থৎপীরগা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেপীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই, কেস মখা চখরগনি।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer, Kakching**
HL-P/9822/9

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 61,20,000+9,558 | 58,80,000+8,899 | 1,24,000+326 |
| Kerala | 30,10,000+15,600 | 28,90,000+11,629 | 14,108+148 |
| Karnataka | 28,60,000+2,743 | 27,90,000+3,081 | 35,601+75 |
| Tamil Nadu | 25,10,000+3,367 | 24,40,000+3,704 | 33,196+64 |
| Andhra Pradesh | 19,10,000+3,166 | 18,70,000+4,019 | 12,919+21 |
| Uttar Pradesh | 17,10,000+116 | 16,80,000+191 | 22,666+10 |
| West Bengal | 15,10,000+982 | 14,70,000+1,586 | 17,850+16 |
| Delhi | 14,30,000+93 | 14,10,000+64 | 25,005+4 |
| Chhattisgarh | 9,97,000+330 | 9,78,000+315 | 13,464+2 |
| Rajasthan | 9,53,000+51 | 9,43,000+128 | 8,942 |
| Odisha | 9,30,000+2,602 | 9,00,000+2,920 | 4,358+59 |
| Gujarat | 8,24,000+65 | 8,12,000+289 | 10,072 |
| Madhya Pradesh | 7,90,000+28 | 7,81,000+32 | 9,019+2 |
| Haryana | 7,69,000+63 | 7,59,000+70 | 9,515+9 |
| Bihar | 7,23,000+104 | 7,12,000+142 | 9,612 |
| Telangana | 6,29,000+772 | 6,14,000+748 | 3,710+7 |
| Punjab | 5,97,000+234 | 5,79,000+275 | 16,141+10 |
| Assam | 5,25,000+2,289 | 4,96,000+3,136 | 4,743+26 |
| Jharkhand | 3,46,000+75 | 3,40,000+98 | 5,118 |
| Uttarakhand | 3,41,000+77 | 3,32,000+109 | 7,338 |
| Jammu and Kashmir | 3,18,000+280 | 3,10,000+419 | 4,349+4 |
| Himachal Pradesh | 2,03,000+172 | 1,98,000+159 | 3,486+1 |
| Goa | 1,68,000+192 | 1,63,000+196 | 3,082+3 |
| Puducherry | 1,18,000+189 | 1,15,000+225 | 1,765+2 |
| **Manipur** | **74,341+760** | **66,578+446** | **1,229+11** |
| Tripura | 69,019+407 | 64,194+230 | 703+2 |
| Chandigarh | 61,780+28 | 60,872+35 | 809 |
| Meghalaya | 52,712+354 | 47,597+424 | 886+6 |
| Arunachal Pradesh | 38,283+404 | 34,736+211 | 184+3 |
| Nagaland | 25,663+44 | 24,088+106 | 505+2 |
| Mizoram | 22,703+548 | 18,643+260 | 100+2 |
| Sikkim | 21,573+170 | 19,287+87 | 311+2 |
| Ladakh | 20,143+6 | 19,756+23 | 204 |
| Lakshadweep | 9,965+18 | 9,670+27 | 49 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,491+4 | 7,349+6 | 128 |